# মখোম খায়দ্রিবা ওক্লাওদা প্রোবাইওটিক্স পীজবগী কান্নবা

সরাংথেম জেসমারানি

ওক্লাওশিং নুমিৎ ৪৫নি শুরগদি মপিদগী মখোম খায়দোক্লবা হোৎনৈ। ঙন্না মখোম খায়দোকপগী চৎনবীসি কয়া লৈতে। অদুবু ঙন্না মখোম খায়দোকহৌরগদি কান্নবা অমদি কান্নদবা কয়া অমসু লৈরি। য়াম্না শম্না হায়রবদা মখোম ঙন্না খায়দোকপগী খ্বাইদগী কান্নবা হায়রগনা মপিবু ঙন্না হিট লাক্তুনা থুনা অমুক মচা লৌবা য়াই। অদুগা অমরোমদনা অমাঙবা অমা হায়রগদি মখোম ঙন্না খায়দোকপীরগদি ওক্লাওশিংদু চাবা থকপা হৈবা ৱাৎপনা হকচাং শোন্থহনবা অমদি অতোপ্পা ষ্ট্রেস ময়াম অমা লাক্তুনা শিবা ফাওবা য়াওদবা নত্তে। ওক্লাওশিংনা নুমিৎ ২১দগী ২৮ শুরগদি মখোম খায়দোকপা য়াই। মখোম খায়বা হায়বসিদা ওক্লাওশিংসি মপিদগী মখোম পীথক্ত্রগদি মমাদগী ফংজ গদবা ইমনিউনোগ্লোবুলিনগী চাং হন্থহনবনা ওক্লাওগী ইম্যুন হন্থরকই। মপিগী মখোম-খক্তা থক্লম্বদগী খূৎশেমগী পীজরকপদগী ওক্লাওগী থীরিন্দা য়াওরিবা অফবা মখলগী হিংকুপশিংগী মশীং হন্থহন্দুনা ফত্তবা হিংকুপ্পা মশীং য়ামখৎলক্তুনা ওক্লাওশিংদা লায়না কয়া খুদম ওইনা হায়রবদা ডাইরিয়া, মবুক নুংঙাইতবা, মশা শোন্থরকপা অসিনচিংবা কয়া অসি থোকহল্লি। হায়রিবা মতমসিদা ওক্লাও অয়াম্বদি এন্টিবাইওটিক্সকী মহুত্তা ঙন্না প্রোবাইওটিক্স পীজহৌবনা মশা মউ ফনা লৈবা ঙমহল্লি। কুমজা ২০০১দা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না প্রোবাইওটিক্সশিংসি অহিংবা হিংকুপশিংনি, মসিনা চাং নাইনা অমদি চপ চানা পীজবীরগদি মশা মউ ফনা, লায়না তিলনা চঙবা ঙমহন্দে হায়না লাউথোকখি। প্রোবাইওটিক্স হিংকুপ ওইরগসু হু চেন্দে, হকচাংদা কান্নবা কয়া অমা পীরি। প্রোবাইওটিক্স পীজবনা চাকখাও অমদি থিরিনগী হিংকুপশিংগী মশীং হেনগৎহল্লি অমদি ওক্লাওশিংদা মখোম খায়দোরকপগী হকচাং শোন্থরকপগী চাং হন্থহল্লি। মসিনা থুনা চাউহন্দুনা লায়না চেলহন্দে।

প্রোবাইওটিক্সকী থৌদাং :-


প্রোবাইওটিক্স পীজবসি ঙল্লিঙৈ মতমদা পীজবনা হেন্না ফৈ। মসিনা অফবা মখলগী হিংকুপশিংসি পুনশিন্দুনা হেন্না মশীং হেনগৎহন্দুনা থীরিন্দা লৈদুনা লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমহল্লি অমদি য়াম্না থুনা মপূং মরৈ ফাহনবা ঙমহল্লি। অফবা মখলগী হিংকুপশিংগা ফত্তবা মখলগী হিংকুপশিংগা চূপশিন্ননবা হিদান্নদুনা লৈ। ঐখোয়না অফবা মখলগী হিংকুপশিংসি হেন্না মশীং হেন্না লৈদুনা থীরিন্দা অফবা ন্যুত্রিয়েন্ট ময়াম অমা চূপশিন্দুনা মশা মউ ফনা লৈবা ঙমহল্লি।

প্রোবাইওটিক্স পীজবগী মওং :-



ওক্লাওশিং হাপ্তা অমবু ফারগদি প্রোবাইওটিক্স পীজবীবা য়ারে। রিছার্স ফাইন্দিংগী মতুংইন্না হেক পোকপদগী ওক্লাওশিং প্রোবাইওটিক্স পীজবীবা য়াই। মসিদা ওক্লাও শিবগী চাংসু অসুক্কী মতিক নেম্মী। প্রোবাইওটিক্সসি ঐখোয়না শেমজরগা পীজবসু য়াই। অফবা হিংকুপকী কলচরসি ঐখোয়না তোৎকদৌরিবা মচিঞ্জাক্তুগী চাদা ২০ লৌরগা তোৎশিন্নরগা ঈশিং খরা হাপ্পীরগা পুং ২৪ থম্বীরবা মতুংদা হিংকুপশিং য়াওবা অফবা মখলসি ওক্লাওদা পীজবীবা য়াই।

রিছার্স ফাইন্দিংগী মতুংইন্না মচিঞ্জাক্তা তোৎপদা শীজিন্নরিবা লেগটোবেসিলস এসিদোফিলস মখলগী হিংকুপসি ওক্লাওদা নুমিৎ তরেৎনি শুরকপদগী পীজবীরগা নুমিৎ ২৮নিদা মখোম খায়রকপা মতমদা ওক্লাওগী পার্ফোর্মেন্স য়াম্না ফজহল্লি।



প্রোবাইওটিক্স পীজবগী কান্নবা :

ওক্লাওগী মচিঞ্জাক্তা প্রোবাইওটিক্স হাপ্লগা পীজরগদি ওক্লাওশিংসি য়াম্না থুনা চাউগল্লি। শিবগী চাং হন্থরকই। ওক্লাওগী থিরিন্দা অফবা হিংকুপশিং চাং ৱাংনা লৈদুনা হু চেনবা হিংকুপশিংগী চাং হন্থন্দুনা লৈবা ঙমহল্লি। প্রোবাইওটিক্স পীজদুনা নুমিৎ ২৮দা মখোম খায়রগা পীজবনা ওক্লাওশিংনা মচিঞ্জাক চাবগী চাং হেনগৎহল্লি, মহাও লৈবা হেনগৎহল্লি, চাবা তুমহল্লি অমদি অফবা ন্যুত্রিএন্ট ময়াম অমা চূপশিনবা ঙমহল্লি। মখোঙ হামথবগী চাং নেম্মী, বেক্টেরিয়ানা থোকহনবা লায়না কয়া থোকপগী চাং হন্থহল্লি অমদি মশা-মউ ফনা লৈবা ঙমহল্লি। মসিদসু নত্তনা ইম্ম্যুনিতি হেনগৎহল্লি।


প্রোবাইওটিক্সসি শা-ষণ, ওক অমদি য়েন-ঙানু মশাগী পোথোক হেনগৎনবা অনা-অয়েক য়াওদনা মশাগী পার্ফোর্মেন্স ফগৎনবা পীজনরি। ঙন্না মখোম খায়দোকহৌগে হায়রগদি পোকপদগী হৌনা প্রোবাইওটিক্স পীজহৌদুনা ঙন্না মখোম খায়দোকপীবা য়ারে। মসিনা ওক্লাওদা ষ্ট্রেস কয়া অমা হন্থহল্লি। লুম্বগী চাং হেনগৎহল্লি, অফবা ন্যুত্রিএন্ট ময়াম অমা থীরিন্দা চূপশিনবা ঙমহল্লি, মচিঞ্জাক চাবদা প্রোবাইওটিক্স হাপ্পীদুনা ঙন্না মখোম খায়দোকপীদুনা মপিদসু ঙন্না হিট লাকহন্দুনা মথংগী চাবোক্কীদমক মচা লৌনবা হোৎনবা হেন্না শেন্দোং লৈবা ওইগনি। ●

# ফৌদা তাগনবা তীল অমসুং মসিদগী ঙাকথোক্লবা পান্থৈ -১

ডো. ৱাইখোম জিতেন

ফৌ পাম্বীগী তোঙান তোঙানবা মপুন্সিগী তাঙ্ককশিংদা থেংনবা য়াবা তীলগী মখল অসি ১০০দগী হেন্না লৈ। অদুবু মখল খুদিংমক অসিনা ফৌবু মপূং ফানা মাঙ তাকহনবদি নত্তে। অসিগুম্বা তীলশিং অসিদগী তীল মখল ২০ মুক্তি ফৌবু মপূং ফানা মাঙ তাকহনবা ঙমই। ঐখোয়গী লমদম অসিদা মপূং ওইনা থেংনগনবা তীল মখল খরগী মরমদা মখাদা নৈনজরি।

ইঙেল লাই চুবী ( Thrips) :



হায়রিবা তীল অসি ফৌনা নৌরিঙৈ মতমদা তাগনবা তীল মখল অমনি। মসিগী তীল অসিনা তাবগী লায়ওংদি ফৌ পাম্বীগী মনাগী মতোন থংবা শরুক অদু অহানবদা অশংবা মচুদগী ৱাওথরক্কনি অমদি মতোন থংবা শরুক অদু লোংজিল শানা তূম্বা থেংনবীগনি অমদি মাগী মচু অদু চরু মচু শানা কংশিল্লক্কনি। অসুম্না তৌরবা ফৌ পাম্বী খরা ফুকপীরগা অঙৌবা চেবাং অমদা ফৎ-ফৎ কনবীবা মতমদা অমুবা নৎত্রগা উৎ মচুগী অকূপ্পা তীলশিং চেনবা উবীগনি। তীল মখল অসি থেংনা হুনবা ফৌ পাম্বীশিংদা মপূং ওইনা তাগল্লি। তীল মখল অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক মতম চানা ফৌ হুনবীনবা হোৎনবা ফৈ। মসি নৎত্রগা Chlorpyriphos 20% EC হায়রিবা হীদাক অসি এম এল ২৫ ঈশিং লিটর ১৫দা য়ানবীরগা লৌ শঙম অমগী লৌফমদা ঈশিং ১৫ চনবা পম্প তরুক্তং লৌরি য়াওনা কাপথোকপীগদবনি।

হয়ীং তীল (Whorl Maggot) :

তীল মখল অসি ফৌনা নৌরিঙৈ অমদি ফৌশিং অদু লন্না হৌরিঙৈ মতমদা তাগনবা তীল মখলনি। তীল মখল অসি ফৌ কংশিল্লক্লগা মতোমতা অদুম ফখিবা তীল মখলনি। তীল মখল অসিগীদমক ফৌ পাম্বী ১০০ খুদিংদা ফৌ পাম্বী ২০দগী হেন্না শোকহল্লবদি



তীল মখল অসিগীদমক হীদাক কাপথোকপীবা য়ারে। তীল মখল অসিনা ফৌ পাম্বীদা উৎলক্কদবা লায়ওংদি ফৌ পাম্বী ময়োল থংবা মনাগী ময়ায় ওইরপনা ফৌনাগী মপান্দা চীকথৎপগা লোয়ননা ফৌনা অদু কোল্লপ তৌনা লৈবা থেংনগনি। লোয়ন লোয়ননা তীলনা চীকথৎখিবা মফম অদুগী অকোয়বা শরুক অদু ঙৌরপ তৌনা লৈবা থেংনগনি। তীল মখল অসিগীদমক Chlorpyriphos 20% EC এম এল ২৫গা ঈশিং লিটর ১৫দা য়ানবীরগা লৌ শঙম অমগী লৌফমদা ঈশিং লিটর ১৫ চনবা পম্প তরুক হায়বদি হায়রিবা হীদাক অসিগী মিলিলিটর ১৫০না লৌ শঙম অমদা কাপথোকপীগনি। মসি নৎত্রগা Lambda Cyhalothrin 5% E C 15 ml ঈশিং লিটর ১৫ চনবা পম্পতা য়ানবীরগা কাপ্পীগনি। লৌ শঙম অমগী লৌফমদা হায়রিবা হীদাক অসিগী মিলিলিটর ১০০না ঈশিং লিটর ১৫ চনবা পম্প তরুক্তা য়ানবীরগা কাপথোকপীগনি।

মরেক (Caseworm) :

তীল মখল অসিসু ফৌ পাম্বীনা নৌরিঙৈ অমদি ঈশিং লুনা তুংদুনা লৈবা লৌফমদা তাগনবা তীলনি। তীল মখল অসিগী লায়ওংদি লৌফম অদুগী ঈশিংগী ঈমাইদা ফৌনাশিং অদু মকক-মকক কক্লগা উতোং শানা



কোনশিল্লগা তাওবা থেংনগনি। ঈশিংদা তাওরিবা উতোং মকক অদুগী মনুংদা হন মানবা তীলশিং য়াওবা থেংনবীগনি। লোয়ন লোয়ননা ফৌ পাম্বীগী মনাশিংগী অশাংবা শরুকশিং অদু চাথোকখিবনা মরম ওইদুনা চে মানবা অচৌবা শরুকশিং ঙাক্তা লৈহৌবা থেংনবীগনি। তীল মখল অসি ঈশিং লৈবা মফমদনা য়াম্না য়াঙনা শন্দোকপা ঙম্বনা মরম ওইদুনা ঈশিং কংনা থম্বীবনা হেন্না ফৈ। তীল মখল অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক ফৈদোম থুংবা থৌরী অমা লৌবীরগা থৌরীগী মতোন থংবা শরুক অনী অদু মী অনীনা পায়বীরগা ফৌনাগী মতোন অদু খেৎলগা চৎপীদুনা ফৌ পাম্বীদা পক্তুনা লৈবা তীলশিং অদু ঈশিংদা তাখিনবা চৎপীগনি অমদি ঈশিং অদুদা কেরোসিন মরীক মরীক থাদবীদুনা কেরোসিনগী অপাবা লৈরোল অমা ঈশিংগী ঈমাইদা শেম্বীবনসু তীল অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমই। মসি নৎত্রগা হয়িং তীল তাবদা শীজিন্নখিবা হীদাক মখল অনী অদুদগী অমনসু তীল মখল অসিবু ঙাকথোকপা ঙমই।

ফৌনা কোনশিনবী (Leaf folder) :



তীল মখল অসি ফৌনা মচা য়াম্না পোকপা মতমদগীনা ফৌনা মপাল শারমদাই ফাওবগী মতমদা তাগনবা তীল মখল অমনি। তীল মখল অসিগী লায়ওংদি ফৌনাশিং অদু কোনশিন্দুনা লৈবা অদুগা কোনশিল্লিবা অদু তিংথোকপা মতমদা হন মানবা তীল অমা য়াওবগা লোয়ননা তীলথি য়াওবা থেংনবীগনি। অদুগা কোনশিন্দুনা লৈরিবা ফৌনাগী অশাংবা শরুকশিং অদু তীলনা চাথোকখিবগী ঙৌনা লৈবা থেংনবীগনি।

তীল মখল অসিদগী ঙাকথোক্ল বা Lambda Cyhalothrin 5% E C 15 ml লিটর ১৫দা য়ানবীরগা কাপথোকপীগনি। লৌ শঙম অমগী লৌফমদা হীদাক মখল অসি মিলিলিটর ১০০না ঈশিং লিটর ১৫ চনবা পম্প তরুক্তা য়ানবীরগা কাপথোকপীগদবনি। মসি নৎত্রগা Coragen হায়রিবা হীদাক মখল অসিগী মিলিলিটর ৩ ঈশিং লিটর ১৫দা য়ানবীরগা কাপ্পীগনি। লৌ শঙম অমগী লৌফমদা হীদাক মখল অসি মিলিলিটর ২০না ঈশিং লিটর ১৫ চনবা পম্প তরুক্তা য়ানবীরগা কাপথোকপীগনি। মথক্কী হীদাক মখল অনী অসি নৎত্রগা Ampligo হায়বা হীদাক মখল অসিগী মিলিলিটর ৬ ঈশিং লিটর ১৫দা য়ানবীরগা কাপথোকপীগনি। লৌ শঙম অমা চাউবা লৌফমদা হীদাক মখল অসিগী মিলিলিটর ২৫না ঈশিং লিটর ১৫ চনবা পম্প ৬তা য়ানশিনবীরগা কাপথোকপীরগসু তীল মখল অসিদগী লায়না কনবা ঙমই। ●



Authorize Distributor: HelpingHand Service, Paona Bazar, Imphal.
HL-P/3484/27-31july/1-26aug.

IIBIT
Indian Institute of Banking and Information Technology
A leading Private Bank is looking for Executives under Permanent Post.
· CAS Executive - Qualification Graduate with age below 28 years.
· Phone Banking Officer - Qualification Graduate with age below 32 years.
· Branch Relationship Executive - H.S passed students can also apply.
Preference will be given to the candidates who can speak the local language. For details search facebook page - Indian Institute of Banking and Information Technology.
Salary - 10,000 - 27,000/-


Required Office F.C (Financial Consultant) from Ukhrul, Chandel, Senapati, Tamenglong etc.
Salary - 25k + Incentive
Office Address : Khuyathong, Opposite Senapati Parking.
FB. Page : Indian Institute of Banking and Information Technology, Manipur.
Contact No. : 8729894704, 8729895297
HL-B/5582/30/7-29/8